

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, APRIL 18, 2018 PAGE 7




*শ্রী লঙ্কা ক্রিকেট টিমগী ফিল্ডিং কোচ ওইনা চহী ২ চুপ্পা থৌ পুদুনা শান্নরোইশিংগী ফিল্ডিংগী লমদা অহেনবা থাক্তা পুখৎলম্লবা মতুং থৌ অদুদগী ঙসি পোথাখ্রবা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা সাউথ অফ্রিকা মচা নিক পোথাস*

*২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী বেদমিন্টন দিসিপ্লিনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টিমমেট ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালগী মখুত্তা মায়থিদুনা সিলভর ফংখ্রবা মতুং মখা তারকপা টুর্নামেন্টশিংদা হেন্না ফজবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখিবা সিন্ধু*

## রিটায়ার্দ তৌবগী ৱাফম লৈতে, ওলিম্পিক গোল্ড মেডল ফংবগী মঙলান লৈরি হায়না চেম্পিয়ন বোক্সর মেরি কোমনা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ঃ*

বোক্সিং মশান্নগী পোত্থারগনি হায়বা ৱাফম অদু তোকঙানি, ওলিম্পিক গোল্ড মেডল ফংনবগী অচেৎপা মঙলান অমা থল্লি হায়না হন্দক্তা লোইশিনখিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেডল ফংখিবী নুপী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫শুরবী নুপামচা ৩ গী মমাসু ওইরিবী হৌজিক–হৌজিক্তা ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর এমসি মেরি কোমনা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেডল ফংলবা মতুং ঙসি মহাক্কী মরমদা বোক্সিং মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং অদু তোকঙানি মহাক্কী মায়কৈদগী অদুগুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈতে হায়খি।

ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী ফজবা বোক্সর অমা ওইরিবী ওলিম্পিক ব্রোঞ্জল মেডলিষ্ট অমদি এমেচর ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল ৫ রক ফংখ্রবী এমসি মেরি কোমনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা কম্মনৱেল্থ গেমস শরুক য়াবদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।



*বোক্সর এমসি মেরি কোম*

নীংশিংবা য়াই মহাক্না নুপীগী ফ্লাইৱেঠ (কেজি ৪৮) কেটেগোরিগী সেমি ফাইনেল রাউন্দদা শ্রী লঙ্কাগী বোক্সর অমা মায়থিবা পীরবা মতুং ফাইনেলদা নোদর্ন আয়রলেন্দগী বোক্সর কৃষ্টি ও' হরাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা রিপোর্টরশিংগা উন্নবা অমদা মেরি কোমনা মহাক মশান্না অসিদগী পোত্থাবগী ৱাফম লৈতে হায়খিবনি।

কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং কন্টিনজেন্টনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৩ ফংখিবনি। মদুদা নুপীগী বোক্সরশিংগী মনুংদা মহাক মথন্তনা গোল্ড মেডল লৌখি। লেমহৌবা মেডল ৮ অদু নুপাগী বোক্সরশিংনা ফংখিবা ঙাক্তনি।

মেরি কোমনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস অসিগী মাঙওইননা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রাদিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংখি। মদুগী মাঙওইননা পাঙথোকপা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌদুনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলঠ গেমসকীদমক ফজবা মওংদা শেম শাদুনা লাকখিবনি।

মেরি কোম ২০১৬ ওলিম্পিক গেমসতা ৱাইল্ড কার্দ এন্ত্রিদা শরুক য়ানবা হোৎনবদা ঙমহৌদবা অদু চাওনা মাঙজবনি। কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শুংশোয় শোয়দনা মহাক গোল্ড মেডল ফংনবা হোৎনগনি হায়খি।

মহাক্না মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা কম্মনৱেল্থ গেমসকী কেটেগোরি অদু কেজি ৪৮ নি। অদুগা ওলিম্পিক গেমসতদি কেজি ৫১ দগী হৌগদবা মরম্না মশাগী অরুস্বা অদু হেনগৎলগা শান্নগদৌরিবনি।

মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মশাগী চহী ৩৫ নৎত্রগা ৩৬ শুরবসু ট্রেনিং ফজনা তৌরিঙৈদো মহাকপু লায়না মায়থিবা পীবা কনানা ঙম্লোই হায়না থাজবা ফোঙদোকখি।

মশান্না অসিদা চহীনা মরম ওইরগা পোত্থাবগী ৱাফম লৈতে। ফোঙদোক্লিবা কাঙবু অদু থোরকউ অদুগা মহাক্কী মায়কৈদগী করি উৎপা ঙম্বগে হায়বদু য়েংনসি হায়না পাউমীশিং অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেরি কোমগী কেরিয়রদা ওলিম্পিক গোল্ড মেডল অদুখক্তঃমক ফংগদবা ঙাইহৌরবনিনা মহাক্কী মায়কৈদগী ৱাৎলিবা মেডল অদু ফংননবা অকনবা ট্রেনিং মখা চত্থগদৌরি।

## এঠলিট কেটি ইরফানগী মথক্তা সিজিএফনা থল্লকপা অথিংবগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ঃ*

হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী গোল্ড কোষ্ট সিটিদা লোইশিনখিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গেমস ভিলেজদা নো নিদল পোলিসি থমখিবা অদু ইন্দিয়াগী এঠলিট ২ গী কাদা লৈরম্বগী মতাংদা চেন্নরিবা কেটি ইরফানগী মথক্তা সিজিএফ (কম্মনৱেল্থ গেমস ফেদরেসন) কী মথক্তা মখোয়গী মথক্তা থল্লকপা অথিংবা অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।



গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী চেফ দি মিসন ওইখিবী বিক্রম সিংহ সিসোদিয়ানা পাউ চে অমগা উন্নবদা গেমস ভিলেজ অদুদগী ৱাল্ক রেস এঠলিট কেটি ইরফান অমসুং ট্রিপ্পল জম্পর রাকেস বাবুবু সিজিএফনা মখোয়না নো নিদল পোলিসি থুগাই হায়বগী মরালদা গেমস অদুদা লৈহনখিদবনি।

সিসোদিয়ানা এঠলেটিক্সকী টিম মেনেজরগা লোয়ননা সিজিএফকী ৱাফম অদু য়েংশিনবদা রাকেস বাবুগী খাওদগী য়েতুম (নিদল) ফংখি হায়বগী প্রমান লৈবদগী মহাক্কী ওইনদি প্রোটেষ্ট অদু য়াওদে। রেস ৱাল্কর কেটি ইরফানগী মতাংদা মহাক্কী কাদা লৈবা কপ অমদা য়েতুম অদু য়াওরম্বনি।


ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চত্থরিবা প্রোটেষ্ট অদুদা মহাক্কী কাদা লৈবা কপ অমদা য়েতুম য়াওরম্মী হায়রগা এঠলিট অদুমক্তা শিজিন্নরম্বা নৎত্রগা অতোপ্পা এঠলিটনা শিজিন্নরগা থল্লম্বা ওইরম্বসু য়াই। মরম অদুদা মহাক্কী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অদু লৌথোক্লুবা প্রোটেষ্ট তৌখি।

ইরফানগী কাদা লোইশিন–খোমজিনবগী থবক তৌবা মীওই অমনা মহাক্কী কাগী কপ্তা সেরিঞ্জ য়াওরম্বা অদু থেংনরকপনি।করিগুম্বা সিজিএফকী মায়কৈদগী অচুম্বা ৱারেপ ফংদ্রবদি কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসতা অমুক ৱাকৎকনি হায়খি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লিগতা ষ্টেক সিটি অমসুং ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ পাঞ্জল ১–১দা দ্রো চৎখ্রে, সিটি রেলিগেসন জোনদগী হায়গৎপা ঙমদ্রি

*লন্দন, এপ্রিল ১৭ঃ*

ইংলিস প্রেমিয়র লিগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা মেটচ অমদা ষ্টোক সিটি অমসুং ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। ষ্টোক সিটি মেটচ ৩৪দা শুপ্নগী পোইন্ট ২৮ খক ফংদুনা লৈবা মরম্না লিগ অসিগী রেলিগেসন (হন্থবা) জোনদগী হায়গৎপা ঙমদ্রি।



*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা ষ্টোক সিটি (ওই) অমসুং ৱেষ্টহামগী শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

ঙসি লন্দন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ অদুগী পুংখাই অমরোমগী মতম ফাজি ল্লক্লফাও স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা ষ্টোক সিটিকী শান্নরোই পিটর ক্রাউচনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী মাংওইননা ষ্টোক সিটি পোইন্ট ২৭ ফংদুনা টিম ২০না শান্নবা ডবল লেগ লিগ টুর্নামেন্ট অদুগী ১৯শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা রেলিগেসন জোনদা লৈখিবনি। লিগ অসিগী চৎন–পথাপকী মতুং ইন্না টিম ২০গী মনুংদা খ্বায়দগী মখৈদা লৈবা টিম অহুম রেলিগেট তৌরগা চেম্পিয়ন্সিপ টুর্নামেন্টতা শান্নগৌরিবনি।

অমরোমদা চেম্পিয়ন্সিপ টুর্নামেন্টকী মকোক থোংবা টিম ২ ইংলিস প্রেমিয়র লিগতা প্রোমোসন তৌগদৌরিবনি। লিগ অসিগী কুমজা ২০১৭–২০১৮গী মেটচশিং লোয়দ্রবসু মেঞ্চেষ্ট সিটিনা মখোয়গা খ্বায়দগী নক্লবা টিম মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী ১৬ হেন্দুনা লৈবা মরম্না লেমহৌবা মেটচ ৫মক সিটি মায়থিরবা অদুগা য়ুনাইটেদনা মায়পাক্লবসু পোইন্ট অদুম্মক হেন্দুনা লৈগদবা মরম্না টাটল অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লৌখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু লোয়গদবা মীৎকুপ খরদং ঙাইরবা মতমদা ৱেষ্ট হেমগী মায়কৈদগী এন্দি কেরোলনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১দা দ্রো চৎলগা পোইন্ট অমমম য়েন্নখিবনি।

হন্দক্কী সিজন অসিদা টাইটল ফংখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটি ক্লব অসিগী পুৱারীদা ৩লকশুবা টাইটলনি। প্রেমিয়র লিগকী পুৱারীদা টাইটল ১৩রক লৌদুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা রেকোর্ড থম্বা ঙল্লি। মখোয়গী মতুংদা চেলসিনা টাইটল ৫ অদুগী অর্সনেলসু সিটিগুম্বা টাইটল ৩ লৌবা ঙল্লি।

কুমজা ১৯৯২দগী হৌখিবা ইংলিস প্রেমিয়ক লিগ অসিদা লৈকেষ্টক সিটি অমসুং ব্লেক বর্ন ফুটবোল ক্লবনা টাইটল অমমম লৌবা ঙল্লি।

পনবা য়াই প্রেমিয়র লিগ অসিগী মকোক থোংবা টিম ৪না য়ুরোপকী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ক্লবকী টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্কালিফাই ওইগদৌরিবনি।

লিগ অসিগী রাউন্দ হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা ফিভমদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটি চেম্পিয়ন্স লিগকীদমক ক্কালি ফাই ওইরবা মতুং মখাতাবা ২শুবা, ৩শুবা অমদি ৪শুবা পোজিসন্দা লৈবা টিমসু চেম্পিয়ন্স লিগকীদমক ক্কালিফাই ওইগদৌরিবনি।

মেটচ ৩৩ শান্নবদা পোইন্ট ৬৭ ফংদুনা লৈরিবা টোটেনহাম হোটস্পর্সকী ষ্ট্রাইকর হেরি কেননা ফোংদোরকপদা মহাক্কী টিম অসিনা লিগ অসি লোয়শিল্লকপদা মকোক থোংবা টিম ৪গী মনুং চন্দুনা চেম্পিয়ন্স লিগকীদমক ক্কালিফাই ওইগনি হায়দুনা য়াম্না কন্না থাজবা থমখি।

## য়ুএসএগী দেসিরি লিন্দেন অমসুং জপানগী য়ুকি কাৱোচিনা ২০১৮ বোষ্টোন মরাথোন লমজেলগী নুপী অমসুং নুপাগী ৱিন্নর ওইখ্রে

*বোষ্টোন, এপ্রিল ১৭ঃ*

য়ু এস এগী মেসাচুসেটকী সিটি বোষ্টোনদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা মমিং লৈরবা মরাথোন লমজেল অমা ওইরিবা বোস্টোন মরাথোন লমজেলদা নুপী কাঙলুপ্তা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী এথলিট দেসিরি লিন্দেন অমসুং নুপাগী কাঙলুপ্তুনা জপানগী এথলিথ য়ুকি কাৱোচিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।



*বোষ্টোন মরাথোনগী নুপীগী চেম্পিয়ন য়ুএসকী দেসিরি লিন্দেন (ওই) অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন জপানগী য়ুকি করোচি*

য়ুএসএগী দেসিরি লিন্দেননা ১২২রকশুবা বোষ্টোন মরাথোন অসিদা নুপীগী কাঙলুপ্তা অহানবা পোজিসন তাদুনা মরাথোন অসিগী পুৱারীদা মতম শাংনা য়ুএসকী মকোক ওইবা ঙমখিদবা অদু ঙসি মহাক্না ঙমখি। কুমজা ১৯৮৫ দা য়ুএসএগী এঠলিট লিজা লার্সেন ৱৈদেনবাগনা ফংখিবা টাইটল অদুগী মতুং ঙসি লিন্দেননা ফংখিবনি।

নাকল অমরোমদা জপানগী এঠলিট য়ুকি করোচিনা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন জিওফ্রি কিরুইবু মায়থিবা পীদুনা কুমজা ১৯৮৭ গী মতুংদা জপানগী এঠলিট অমনা বোষ্টোন মরাথোন লমজেল মকোক ওইবা অনীশুবা এঠলিট ওইরি।

নীংশিংবা য়াবা থৌদোক অমদা বোষ্টোন মরাথোন পাঙথোকপা ২০১৩ দা বোম পোকখায়দুনা মীওই ৩ শীখিবা অমদি মীওই চা কয়া অশোক–অপন নংখিবা থৌদোক অদুগী মতুং অকনবা চেকশিন থৌরাংগী মখাদা ঙসিগী লমজেল অদু পাঙথোকখিবনি।

লিন্দেননা নুপীগী কাঙলুপ্তা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন কেনিয়াগী এঠলিট এদনা কিপ্লাগাট ৯শুবা পোজিসন তাখি। দেসিরি লিন্দেননা লমজেল অদু পুং ২ঃ৩৯.৫৪ দা নোং তাখিবা কম্পিটিসন অদুদা মকোক ওইবা ঙমখি।

নুপীগী মরাথোন লমজেল অদুগী অনীশুবা পোজিসন অদু অতোপ্পা য়ুএসএগী এঠলিট সারা সেল্লর্সনা পুং ২ঃ৪৪.০৪ দা ফংখি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসন অদুনা কানাদাগী এঠলিট কৃষ্টা দুচেনিনা পুং ২ঃ৪৪.২০ দা ফংখি।

নুপীগী লমজেল অদুগী মকোক থোংবা এঠলিট ১০ গী মনুংদা য়ুএসকী এঠলিট ৭ য়াওখি। মমাঙদা কেনিয়াগী এঠলিটশিংনা খুদুম চল্লম্বা ইভেন্ট অদু মখোয়গী ওইনা খ্বাইদগী ফজদবা তাঙ্কক অমা ওইখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা জপানগী য়ুকি করোচিনা পুং ২ঃ১৫.৫৮ দা চেন্দুনা মকোক ওইখি। কাঙলুপ অদুগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন কেনিয়াগী জিওফ্রি কিরুইনা পুং ২ঃ১৮.২৩ দা অনীশুবা পোজিসন ফংখি। অদুগা য়ুএসএগী সাদ্রাখ বিৱাটনা পুং ২ঃ১৮.৩৫ দা অহুমশুবা মনা ফংখি।

য়ুএসএগী ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট লোয়ননা মমাঙ চহীগী লমজেলদা অনীশুবা তাখিবা গালেন রুফ লমজেল অদু মপুং ফানা চেনবা ঙমখিদে।

## ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৮৩ দা হাইগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ঃ*

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা নুপাশিংগী সিঙ্গলসকী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি ৮৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ভাম্ব্রিনা হন্দক্তা টাইপৈ চেলেঞ্জর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুনা হান্না ১০৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক ২২ হাইগৎলগা হৌজিক ৮৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্না মায়থিবা পীরম্বা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার রামানাথন পোজিসন ১৭ হাইগৎলগা ১১৬ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

ভাম্ব্রিনা মহাক্কী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৫ দা মকোক থোংবা শান্নরোই ১০০ গী মনুং চনবা ঙমখিবনি। য়ুকিনা হৌখিবা চহীদা ফ্রান্সগী ৱার্ল্ড নম্বর ২২ গেল মোনফিল্স মায়থিবা পীবা ঙমখি। অদুগা চহী অসিগী মার্চ থাদা ৱার্ল্ড নম্বর ১২ ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস পোলিবু থোইদুনা মহাক্কী মশান্নদা ফজবা কয়া পুরকপা ঙমখিবনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা ১৯শুবা থাক্তা লৈরি। লিয়েন্দর পেস থাক ৪ হন্থরগা ৪৯শুবদা লৈখি। নুপীগী সিঙ্গলসতা লৈবাক অসিগী অনকিতা রাইনা থাক ৩ হাইগৎলগা ১৯৪ দা লৈরি।

## ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভ মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা মোন্টে কার্লো ওপন টেন্নিসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*মোনাকো, এপ্রিল ১৭ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা চত্থরিবা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভ অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।



*মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভ (ওই) অমদি ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম*

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেটতগী হৌনা শান্নরোই অনী অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈরবা মতুং রুশিয়াগী রুব্লেভনা থংনবা গেম অদু থোইদুনা ৭–৫ দা হেন্দুনা অহানবা সেট লৌখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ মান্নরম্লবা মতুং থংনবা গেম অনী ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা লৌখিবদগী ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা পোইন্ট মান্ন–মান্ননা চৎলম্লগা মতুং লোইশিল্লকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা থিয়েমনা ৭–৫ দা থোইদুনা সেট ২–১ দা মায় পাক্কুনা মোন্টে কর্লো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভনা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অহানবা সেট ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা জ্বেরেভকী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমদুনা শান্নরকপদগী পোলিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা মোন্টে কার্লো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকপা আর্জেন্টিনাগী দি স্বার্টসমেননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই জি পেল্লাবু ০–৬, ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মোন্টে কার্লো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী পেয়র আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং মিস্কা জ্বেরেভনা আর্জেন্টিনাগী পেয়র এ মোইটেনি অমসুং দি স্বার্টসমেনবু ৬–২, ৪–৬, ১০–৮ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী এম পেভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কলম্বিয়াগী পেয়র জেএস কবাল অমসুং আর ফারানা স্পেনগী পেয়র ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্সকা শান্নরগনি।